পুং ৪৮ থোঙ লোনগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : পোষ্টেল ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনা মরম ওইরগা ওফিস বিল্ডিং অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা দিসইনফেক্টেন্ট শীজিন্নদুনা সেনিটাইজ তৌগদবা মরম্না ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস অমসুং দিভিজনেল ওফিস ওক্টোবর ১৯গী নুংথিল পুং ৫দগী ওক্টোবর ২১গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা পুং ৪৮ থোঙ লোনগনি। খূদোংচাদবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন ইম্ফালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট এল টিকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নোংমৈ অমদি বোমগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর কন্মান্দো অমদি ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাঙবুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা নাচৌ চীংদোং ৱার্দ নম্বর ৬ চোথে লম্বীদগী কে সী পি (পিপলস ৱার গ্রুপ-খুমন) গী মীওই অনী নোংমৈ অমদি বোমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, কম্বাইন টিম্না ফারবা মীওই অনী অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শগোলবন্দ সয়াং কুরাও মখোঙদগী সলাম ভোরোৎ এলিয়স পোইনু (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস তোমচৌ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা খুনৌদগী সাপম মোহোন এলিয়স তয়াই এলিয়স ইবোয়ইমা (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ভৈগ্যানি।

মখোয়দগী য়ু এস এ-১১১ মার্ক থাবা পিষ্টল ১, নাইন এম এমগী কপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৮ য়াওনা মেগজিন ১, চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ ২, দিটোনেটর ২, অমুবা মচুগী বাজাজ পলসর (এম এন-১ এম/০৫৭১) ১ য়াওনা ফারে। ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা ৱাহং পাউহংবা চখনবা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 15/09/2020
Valid from : 11/09/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 04/09/2020
VALID FROM : 31/08/2020
DROP IN BOX. & HOME DELIVERY. M.NO. 9089177227 & 9863332885 M. BOOKING OFFICE-9089161416
CONT.TIME : 7.00AM.TO.10.30 AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-02/10/2020
Valid from-08/09/2020
***19kg Available
For delivery service Please Contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 23/07/2020
Only home delivery (within 3 days)
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 27/08/2020
Valid from : 12/08/2020
Stock : 387
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 25/08/2020
Valid from : 21/08/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930
Office No. 6381538861
Enquiry No. 7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 15/09/2020
Valid from : 22/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 29/08/2020
VALID FROM : 28/08/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU
Booking upto : 25/08/2020
Valid from : 16/08/2020
Stk. : 306
Only Home Delevery, call to 7629966437
From : 8.00 am to 2.00 pm

কৎথোকপা ঙস্বা, মশাগী খুদোংচাবনা মাঙদা থাদবা মতিং লৈবা এম এল এ খরা মথৌ তারি : বিরেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : অফবা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্লুবা হোৎনবদা কৎথোকপা ঙম্বা, মশাগী খুদোংচাবনা মাঙদা থাদবা মতিং লৈবা এম এল এ খরা মথৌ তারি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্লিবা নবেম্বর ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলদা লিলোং এ সীদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইগদৌরিবা এক্স এম এল এ অবদুল নসিরগী পব্লিক মীটিংদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, ভোৎ লেপকে হায়না থোরকপদা করিসু শাওফম থোক্তে। মখোয় মখোয়গী অপান্থা তৌনবা থোরকপনি। কোংগ্রেসতগী তোল্লকখিবা কৎথোকপা ঙম্বা, ওইজবা থিদবা এম এল এ ৫/৬ অসি লৈরমদ্রবদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি কায়রম্বসু য়াই। মখোয়গুম্বা কৎথোকপা ঙম্বশিং অসিনি এক্স এম এল এ ওইরবসু মিনিষ্টরগী ফম পায়রিবসি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্লা মাইনোরিটিগী লেপ্পী হায়না পংলাউদা লাউরগা করিবু তৌরম্বগে। হৌজিক্তি লিলোংদা কৈথেল অমা লৈরে। চহী খুদিংগী লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা লৌফম কয়া ঈশিং থুল্লগা লাকখিবনি। অদুবু লিলোংদা দাম অমা শাবীরম্না। ঈশিং ঈচাও নংখিবা অদু কোকহন্ননবা কনানা তুরেল তেংখিবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। লৈঙাক অসিনা লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ স্কিমগী মখাদা কান্নবা কয়া ফংহনখ্রে। গ্যাস লৈজ দবা অমদি য়ূম লৈজদবা লায়রবশিংদা গ্যাস পীরি, য়ূম শাবীরি। হৌখিবা চহী অনী অসিদা য়ূম ২৬৯০গী মথক্তা শাখ্রে।

লাইরিক-লাইশু হৈরবা অমদি মখূৎ মশা হৈরবা মীওইশিংবু য়োকখৎনবা ষ্টার্ট অপ স্কিমগী মখাদা শেল্তুং পীদুনা থবক তৌহল্লি। লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মতম অমদা পুলিসকা মীয়ামগা অফবা মরী লৈরমদবা অদু হৌজিক্তি অহোংবা কয়া লাক্তুনা অফবা মরী কয়া লৈরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা হায়খি, অবদুল নসিরনা বি জে পিগী লৈঙাক অসি কন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু ইকায়খুম্নবা উত্তুনা তরাম্না ওক্লুবা মিনিষ্টর ফম অমা খাক্তুনা থল্লিবা অসি মীয়াম্না খঙবীদুনা মহাকপু মীয়ামগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা থাগৎপীরকউ। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ও হেনরি, এম এল এ এল রামেশ্বর অমদি লিলোংগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

জোটিন ৱাইখোমগী য়ৈথোকখ্রে, রামেশ্বরগী লোয়শিন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৭দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনগা মরী লৈননা মসিগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা অপূনবা এ সী ৬০গী মনুংদগী ১২ দা এম এল এ ওইরকখ্রবা মীওইশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা অমা ওইরিবা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেট খুমুকচম জ য়কিষনগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা কেস ঙসি হায়কোর্টনা লৌখৎখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি কোংগ্রেস এম এল এ অসিগা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ জোটিন ৱাইখোমনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি। মসিগী নম্বর- ৮ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি এম এল এ অমসুং অতোপ্পা মীওই অমবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি। কেস অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা শুপ্পনতগী মেট্রর অসিখক্তংগী মখা তাবা প্রোসিদিং পায়খৎনবগীদমক লিষ্ট তৌখি। অদুবু কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এগী মায়কৈদ্গী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা রেপ্লিকেসনগী কোপী পিটিসনর কাউন্সেলদা ফংলমদবদগী কোর্টনা মখা তাবা ৱায়েল চথনবগী অতোপ্পা মতম অমা লেপখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা মসিগী ৱিটনেসশিং দিপোজিসন পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি।

অমরোমদা, ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎখিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা পিটিসনর ওইদুনা ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এ য়েঙ্খোম শুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর- ১ ওফ ২০১৭ দনা বেঞ্চ অসিনা দিফেন্স কাউন্সেলদা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্ট সবমিসনশিং হয়েং ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে। দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না ইলেক্সন পিটিসন অসি হয়েংসু বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌখ্রে।

কোলেজিএট এদ্যুকেসনদা মীৎয়েং চঙলগনি : দেসাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : দেসামনা চঙশিল্লকপা রিফোর্মেসন কেম্পেয়ন ফেজ টুগী ওইনা কোলেজিএট এদ্যুকেসনদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না দেসামগী এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফেয়র্স সেক্রেটরি লোংজম রোবিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী ফীভম, তাকপী-তম্বীবগী মওং-মতৌ, এগজামিনেসনগী মওং, কোলেজশিংগী এন এ এ সীগী এসেসমেন্ট কন্দিসন অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভমশিং নৌহৌননা য়েংশিল্লগনি। হৌজিক লৈরিবা কোলেজশিংগী ফীভম অসি কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিগা চুনরিব্রা হায়বদু দেসামনা হিয়াঙ্গৈ থা মনুংদগী য়েংশিন খোঙচৎ চৎপা হৌরগনি। য়েংশিন খোঙচৎ অসিগী রিপোর্ট অসি মীয়ামদা থমগনি। খোঙচৎ অসি দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনবু ফগৎহন্ননবা অমদি কোলেজিএট এদ্যুকেসন ফগৎহন্ননবা চথরকপা মাস রিফোর্মেসন কেম্পেয়নগী শরুক অমনি।

দেসামনা টিচর এদ্যুকেসনদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙবা লেপত্রি। অফবা ওজাশিং পুথোরকপা, অফবা ওজা ওইহল্লক্লুবা অফবা মোদেল মল্টিদিসিপ্লিনরি কোলেজ (এম এম সী) ওইহন্নবা দেসামনা চহী মরিগী ইন্টিগ্রেটেদ টিচর এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (আই টি ঈ পি) অসিবু মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌনবা অঙম্বা থাক্তা লৈঙাক্কী মতেং পাংজগনি। মীয়াম্নসু পূক্লিং থৌগৎপীয়ু। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ অসিনা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌরকপদা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু অফবা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিং লৈহন্ননবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মৈতৈ/মীতৈ য়াওনা য়েলহৌমীশিংদা য়েংথীবা মানবা থবকশিং তৌবীগনু : এস টি দি সী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : মৈতৈ/মীতৈ য়াওনা য়েলহৌমীশিংদা য়েংথীবা, তাথী-তাওইবা মানবা থবকশিং তৌবীগনু হায়না সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাইখোম অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এস টি দি সী এমগী লিচিং মখাদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা এস টি লিষ্টতা য়াওহল্লু অমদি য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইবগী কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লি। লাইবক থীবদি য়েলহৌমী অমগী ফংফম থোকপশিং হৌজিক ফাওবা ফংদনা লাক্লিবা কন্সটিট্যুসনেল রাইটশিং অদু তানবদা মৈতৈ/মীতৈ মনুংদগী মীওই খরনা অমদি হান্ননা এস টি লিষ্টতা য়াওদুনা কন্সটিট্যুসনেল ঙাক্লৌশিং ফংদুনা মশাগী শক্তম ঙাক্তুনা লৈরবা ফুরুপ কাঙলূপশিং য়াওনা অয়েৎপা পীদুনা লাকপসু ইরৈচা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু লুরিবদি য়েৎলিবশিং অসি লোজিকেল ওইদবা অরানবা নাপল, য়েংথীবা, তাথীবগী মওংদা য়েৎপনা অয়াম্বনি হায়নিংই। অসিগুম্বা ঈলোজিকেল ওইবা য়ূম্ফমদা য়েৎলিবসিগী খূদোংচাবা লৌবা মানবা মওংদা মণিপুর লৈঙাক্লসু মৈতৈ/মীতৈগী শক্তম অমদি তুংগী মীরোলগী হিংবা-চঙবগা মরী লৈনবা ৱাফম অসিবু নাথৈদুনা লাক্লি। করম্বা মীওইনা, করম্বা কাঙলূপ্না, করম্বা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা য়েৎপা, থওইদবা, নাথৈনবা হোৎনবা পূম্নমক অসি পুৱারীদদি ইদুনা লৈহৌরগনি। হৌখিবা পুৱারীগী থৌদোকশিংগীসু ঙসিগী মীরোলনা উবা ফংলি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মৈতৈ/মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহৌদবগী খূদোংচাবা লৌবা, য়েংথীবা মানবা মওংদা হৌজিক-হৌজিক নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাফমগা মরী লৈননা য়েৎনরিবা অসিদসু মমি অমা তারি। মসি তৌহন্নিংদে। মসি য়েলহৌমীশিং মার্জিনেলাইজ তৌহনবগী চথরকপা থৌওংশিংগী মনুংদা অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। এস টি দি সী এমনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা য়েংথীনবদা শৌগৎতে। মরম অদুনা কাঙলূপ মশেল মরক্তা উংখৎনবা, ৱাখল তানদবা থোকপা য়াবা ৱারোল/পোষ্টনচিংবা কনাগুম্বা মীওই অমদি কাঙলূপ অমত্তনা সোসল মীদিয়ানচিংবদসু থাগৎপীগনু। এস টি দি সী এমনা য়েলহৌমীশিংগীদমক লেপ্তুনা লাক্লি, মখা তানসু লেপখিগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৈখোমশিং শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : ককচীংগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌফমশিংদা হৌজিক লৌ য়ৈবা হৌনরকপগা লোয়ননা লৌদগী কারকপা গাড়ীশিংগী চাক্কাদা নপ্পকপা লৈখোমশিং তাহৌদুনা লম্বীদা লৈখোম চাইবা হৌরক্লে। চাইরিবা অপেৎপা লৈখোমশিং অসিনা লম্বী মোৎশিনহনবা, চৎথোক-চৎশিন তৌবদা নুংঙাইহন্দবতা নৎতনা লম্বীগী খূদোংথিবা কয়া মমাং চহীশিংদা লেপ্পুনা থোকখ্রবনি। মসিদগী খরদা ওইরবসু কন্নবগী পান্দমদা কে এম সী রোদতা চাইরম্বা লৈখোমশিং কে কে সী এল অমদি এন কেনা শেংদোকখ্রে। লম্বীদা লৈখোম চাইখাইবা অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না কে কে সী এলগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ঐচ মহেশ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ লাকশিনগদবনি হায়না মহৈরোয় লুপ ৬না দিমান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): মহৈরোয় লুপ এইমস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমদি সুকনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি কৈশামপাৎ জঙ্কসনদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা মতীক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌখ্রে।

দিমান্দ তৌখিবগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট এদিসননা লুপ ৬কী মহুৎ শিন্দুনা ফোঙদোকখিবদা ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিং, সী এস ওশিং অমদি ভলন্টরি ওইনা লুপ কয়ানা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী ফীভম ফগৎলকপগী মহুৎতা হেন্নদুম লায়না লাইচৎ অসি হেনগৎলক্তুনা নোংমদা মীওই ৩০০দগী ৪০০ হেন্না পোজিটিভ ওইরক্লিবা অসি লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনরিবা থৌরাং-থৌশিলশিং অসিদা অচৌবা অহোবা অমা লৈরবরা হায়বগী অচৌবা চিংনবা অমা লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগীদমক ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা অখন্নবা পোলিসি অমা শেমগদবনি। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা ঙম্নবা চপচাবা ষ্টেটকী কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্স অমা শেম্বা, ফমুং ৫০০ চনবা কোভিদ দেদিকেটেদ হোস্পিটাল অমা চয়োল অমগী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎকদবনি। রিমস অমদি জেনিমসকী মনুংদা হোস্পিটাল অমবু কোভিদ-১৯গী নত্তবা অতোপ্পা অনা-অয়েকশিং য়েংবা য়ানবা শিনগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ), হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন থৌবালগী এক্স-ওফিসিও প্রোজেক্ট ওফিসরনা শীন্দুনা এম আই দি ঐচকী ২০২০-২১গী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী মখাদা লৌমীশিংদা নীংথম মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে।

নুমীৎ মঙানি চুপ্পা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা ফার্মর ২১৯দা লৌফম হেক্টর ৩৫০দা থাননবা হৱাই থরাক মরূ য়াওনা মরূ-মরাং কয়া য়েন্থোকপা হৌদোকপগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন ওফিস থৌবালগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবালগী দি সী, এন বন্দনা; এম আই দি ঐচ, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন থৌবালগী এক্স-ওফিসিও প্রোজেক্ট ওফিসর ও বিজয়ালক্সমী অমদি এ ও জগৎচন্দ্রনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

শীৎ শেংবগী দ্রাইভ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : স্বাছ সুর্ভেক্সনগা মরী লৈননা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা চয়োল অনী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ ঙসি কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ফোরগী কাউন্সিল্লর মাইবম জয়কুমার অমদি কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সন লমাবম লালমণিনা লিলোং বজারদা হৌদোকখ্রে। শীৎ শেংবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লিলোং য়ং সোসল সর্ভিস য়ুনিয়ন (এল ৱাই এস এস য়ু)গী মেম্বরশিং অমদি লিলোং মৈরা পায়বীগী ইমা-ইবেল কয়াসু শরুক য়াখি।

গেষ্ট রুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পুলিসকী ১২৯লক শুবা রেজিং দেগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এদিসনেল এস পিশিং অমদি দি এস পিশিংগী ওইবা গেষ্ট রুম অমা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা শঙ্গাদুনা হাংদোকখ্রে। এদিসনেল এস পিশিং, ওফিসর ইন-চার্জশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপু শেমগৎ-শাগৎলকপদা থৌদাং লৌদুনা মথৌ পাঙথোকখিবা ওফিসর অমসুং পর্সনেল ২৫দা এস পি ককচীংনা শেল অমসুং শকখঙচেশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

নুপীমচাশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে : হেনরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : নুপীমচাশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে হায়না সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইন্টরনেসনল দে ফোর গর্ল চাইল্ডগা মরী লৈননা দি সী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা বেটি বচাও বেটি পরাও কেম্পেয়নগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হীরম খূদিংমক্তা নুপীমচাশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, নুপীগী থাক ৱাংনা থন্বগী মতাংদা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা মণিপুরনা ফীভম ফনা লৈরি। ইবা-পাবা ঙম্বা নুপী মশিং য়াম্না লৈবদসু ষ্টেট অসিনা মাঙজিল থারি। য়ু পি এস সীনা লৌবা কম্পিটিটিভ এগজাম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা অথোই-অহেন তান্নবগী এগজামশিংদা নুপীমচানা নুপামচাদগী মাঙজিল থারি। গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট সেক্তরগী মকোক থোংবা ফমথোল কয়াসু নুপীনা পায়রি।

নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা নুপীবু তাথি-তাওইনা তৌবা অমসুং হন্থনা য়েংবগী থৌওং লেপহন্নবা হোৎনফম থোকই। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীথোই-মীহেল্লবী নুপীমচাশিংদা মিনিষ্টরনা মনা য়েন্থোকখি।

থৌরমদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী খুমন্থেম দাইনা, এস পি হাওবিজম জোগেসচন্দ্র অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

কৈথেল হাংবগী থৌশিল নৌনা...

লামায় ১গী মখা... ইনফ্রাষ্ট্রকচর হাপচিন্দুনা কোভিদ পেসেন্টশিংগী পুন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। অতোপ্পা লায়নানা নারবা মীওইশিং লায়েংনবগী থৌশিল অমসু পায়খৎপা মথৌ তাই। নিংথমথা চঙলকপগা ঈরোয়ননা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈবা মরম্না হোস্পিটালশিংগী ফমুং মশিং হেনগৎহন্দুনা প্রাইভেট হোস্পিটাল কয়াসু কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংনবগী থৌরাংদা শরুক য়াহনবা চুমগনি।

টেষ্ট তৌবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট তৌবদা অরানবা রিজল্ট ফংবগী চাং ৱাংবা মরম্না অনৌবা পান্থে অমা পুথোক্ত্রিবা ফাওবদি আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌদুনা অচুম্বা রিজল্ট ফংনবা হোৎনফম থোকই। কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা সব-কম্মিটি কয়া শেমদুনা নোংম-নোংমগী ফীভম লুবা হেঞ্জিল্লক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসি মপুং ফান লাকশিনবা ঙম্নবা হোৎনহৌবা মতম ওইরে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মরক্কী মীখল : জেনরেল ওবজার্ভরশিং...

লামায় ১গী মখা... হোৎনগনি। চীংমীশিংনা তমদা খুন্দাবা য়াবগুম তম্মীশিংনসু চীংদা লৈবা য়ানবা থৌরাং পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিংহাট এ সীগীসু মীওই অনীনা মখোয়-মখোয়গী মীরেপচেশিং মরী লৈনবা আর ওদা পীশিল্লকখ্রে। এক্স-এম এল এ গিন্সুৱানহাও জৌনা মহাক বি জে পিগী মীরেপ ওইনা মীখল থেংননবা মীরেপচে পীশিনখিবনি। অদুগা চিনলুন্থাং কৌবা মীওই অমসু ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইননবা মীরেপচে পীশিনখি।

সাইটু এ সীগী ওইনসু ডা. লমতিনথাং হাওকিপনা মহাক ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ ওইনা মীখল থেংননবা মরী লৈনবা আর ওদা মীরেপচে পীশিনখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা এক্স-এম এল এ ঙমথং হাওকিপসু সাইটু এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংননবা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখিবা লৈখ্রবনি।

ৱাঙ্গৈই, লিলোং, ৱাংজিং-তেন্থা সাইটু অমসুং সিংহাট এ সীগী ওইনা লাক্লিবা নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা আর ওশিংনা থোকখিবা মীখলগী নোটিফিকেসন মতুংইন্না মীরেপচে পীশিনবগী মতম অসি হয়েং লোইরগনি। ওক্টোবর ২১ দনা স্ক্রুটিনি পাঙথোক্কনি। অদুগা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ২৩ নি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী ওইনা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি মঙাগী পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ঈ সী আইনা এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরশিংসু দিপ্লোয় তৌখিবা লৈখ্রবনি।

এন ঈ ঈ টিদা সমানন্দনা ষ্টেটকী...

লামায় ১গী মখা... এগজামগীদমক য়ূমদা হোৎনজবগা লোয়ননা কম্বাইন্দ ওসিন্স ওফ মেদিকেল এন্দ ইঞ্জিনিয়রিং ট্যুটরিয়লস (কোমেট)তা ট্যুসন তৌরকখি। কোমেটতা ট্যুসন তৌরকপনা এন ঈ এগজাম থাখিবা মতমদা য়াম্না কান্নবা অমসু ওইখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং...

লামায় ১গী মখা... দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেলদগী ১, আর দি ৱিংদগী ২২, সধভাবনাদগী ২, লানভাদগী ২, জিরিবামদগী ২ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী মীওই ২ য়াওরি। ষ্টেটকী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ১৫,৭৭৮ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩,১০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৬৭৩ য়াওরি। নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওই ১১,৯১৩গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯,৫৬১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৩৫২ নি। এক্টিভ কেস ৩,৭৪৮ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩,৪৩১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১৭ নি। হৌজিক ফাওবদা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৫.৫০ ওইরে হায়রি।

হৌদোংনা চিকপদগী চহী ৪গী অঙাং...

লামায় ১গী মখা... চিকপনচিংবগী থৌদোক হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৮দা থোকখিবসু লৈখ্রে। অমরোমদনা ঙাইরাংবম ময়াই লৈকাইদনা মীওই ৪মুক হূইনা চিকখিবগী থৌদোক অমসু লৈখি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা মরী লৈনবশিংনসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। য়ূম-য়ূমদা লোয়নরিবা হূই-হৌদোংশিং চেকশিন্না থম্বীয়ু। লম্বী সোরোক্তা থবক-ইনখাং চৎথোকপদা, ৱাকিং চৎপদা অসিগুম্বা হূই-হৌদোংশিং অসিদগী থাপতোক্লা লৈবীনবসু খঙহঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এদিসনল এস পি বৃন্দা কোর্ট কারক্লগা বেল বোন্দ ফর্নিশ...

লামায় ১গী মখা... বোন্দগীদমক শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০সু দিপোজিৎ তৌরক্লে। শেনফমসি কোর্টকী কেশিয়রদা খুৎশিন্নবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা বেঞ্চতা দিপোজিৎ তৌননবা খঙহনখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক এক্যুইজ অসি কেসসিগী হিয়রিংগীদমক হয়েং কোর্টনা ফিক্স তৌরিবা নুমীৎসিদা কারক্লুবা ওর্দরসু পীখি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগা মরী লৈননা স্পেসল কোর্ট অসিনা থা অসিগী ১৪দা পীখিবা ওর্দর অমদা নুমীৎসিদা কোর্টনা মশা লাক্লুবা সম্মোন নোটিশ ইস্যু তৌখ্রবসু লাকখিদবশিংগী মনুংদা য়াওখিবা এদিসনল এস পি টি ঐচ বৃন্দা, সব-ইন্সপেক্টর রাধাকিশোর ৱাহেংবম, পুলিস কন্সটেবল লাইশ্রম সঞ্জোয় অমসুং ভি দি এফ পর্সনেল এম দি ফেরোশ কোর্টনা হিয়রিংগীদমক লেপ্লিবা নুমীৎ (হয়েং) অসিদা কোর্টতা মশা-মশা কারক্লুবা খঙহনখিবনি। এদিসনল এস পি অসিদনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা কেস অসিগা মরী লৈনবা তঙাইফদবা বোন্দশিং ফর্নিশ তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লিলোং পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর-৩৩(৩)২০১৯ নি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এসকী সেক্সন- ২২ (সী)/২৯/৬০(৩), প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ৭ অমসুং ১৩ অমদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩৪/১২০-বি/১৮৬/১৮৭/১৮৯/৫০৬ কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

এক্স-এম এল এ ৩ দিসক্কালিফাই...

*লামায় ১গী মখা...*অমরোমদা, চুংশিন্নবা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা বি জে পিগী রিজাইন তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অহুম্না মখোয়গী রিজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংগী মখা তাবা ৱায়েল হয়েং চথরগনি।

মখোয়গী রিজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল)শিংনা সাম্যুল জেন্দাইগী- ৩৯৬ ওফ ২০২০, টি থাংজলম হাওকিপকী- ৫৪২ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমদি সোইবম সুভাসচন্দ্রগী- ৪৩৩ ওফ ২০২০ নি।

সিভিল রিট পিটিসনশিং অসি হয়েং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা খন্ননবগীদমক পুল্লপ লিষ্ট তৌরে।

এক্স-এম এল এ অহুমগী সিভিল রিট পিটিসনশিং অসি হায়কোর্টনা লৌখৎলগা খন্নরকপদগী হৌজিক পার্ট-হর্দকী ষ্টেজদা য়ৌরক্লুবনি। অদুম ওইনমক দিভিজন বেঞ্চ অসিগী জষ্টিস অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুবদগী মেট্টরশিং অসি লৌখৎতনা লৈরুবনি। অদুম ওইনমক হয়েং দিভিজন বেঞ্চ অসিনা মেট্টরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েলশিং চথরগদি কেসশিং অসিগী চাউরাকপা মশক অমা লেপথোক্লুবা ঙল্লবা য়াই থাজনরি।

পনবা য়াবদি, পিটিসনরশিং সাম্যুল জেন্দাইগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপ্পলগা টি টি হাওকিপকী মায়কৈদনা কাউন্সেল ডা. আর কে দিপকনা লেপ্পি। অদুগা এস সুভাসচন্দ্রগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লিবনি।

[illegible] / ADMISSION NOTICE

Dated : 17/10/2020

B.Voc/Adm/2019-20/02 : Applications in prescribed forms are invited for admission into the 3 Year B.Voc. Degree Programme under UGC (NSQF, New Delhi) for the Academic Session 2020-21. Eligible candidates can apply in any of the following trades:

1) Music (Vocal and Sitar)
2) Physical Education & Sports Nutrition
3) IT/ITeS
4) Yoga and Nature Cure
5) Fashion designing
6) Food Processing Technology
7) Tourism & Hospitality Management.

Prescribed application forms and admission prospectus with detailed information will be available at the Office of the Nodal Officer, B. Voc. Modern College, Porompat **w.e.f. 19-10-2020 (Monday)** during Office Hour (7 am- 10:30 am). Last date of form submission 29th October, 2020.

Eligibility : Any candidate who have passed the HSE (Class XII) in any stream.

N.B. Application forms will also available from our whatsapp no. 7640861185.

Sd/- **Dr. W. Shantikumar Singh**
Nodal Officer,
B.Voc. Modern College, Porompat

HL-P/7780/20

[illegible] / Condolence

Dr. Konsam Shyamsunder Singh (IAS)
(Expired on: 14th October, 2020)

"We have many miles to go together, but why you left us so early, Shyam! We will miss you, but you will live forever in our hearts.

May our Heavenly Father bless your soul and rest you in Peace".

Fondly remembered by DBS '93
(1993 Matric batch, Don Bosco School, Chingmeirong)

HL-P/7782/20